## অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭

# ৰাই এল এল, সি ৰাই এফ সি মায় পাকখ্রে, এম পি এস এ–বি ৰাল্ক ওভর ফংখ্রে



*ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ঃ*
পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা পুঙদোংবমদা লৈবা লন্নাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন্দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শন্নখিবা লিগ মেটচতা ৰাই এল এল খুন্দ্রাকপম্না য়ু এফ সি লন্নাইবু ৪–০দা, সি ৰাই এফ সি চিঙ্খুনা এল ৰাই পি ও সি মন্ত্রিপুখ্রিবু ৫–১ মাইথিবা পিখ্রে অমদি এম পি এস এ–বী ৰাল্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি অহানবা শান্নখিবা মেটচতা য়ু এফ সিগা ৰাই এল এলগা লম্বা থেংনবদা ৰাই এল এলনা গোল ৪–০ মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুদা ৰাই এল এলগী মাই পাকপগী গোল অদু মেটচকী অহানবা হাল্ফকী মিনট ১০, ১১ অমদি ১৪দা স্যামসুন্দরনা গোল ৩ চনখি। অদুগা মেটচকী মিনট ২৬তা রোমিয়োনা গোল ১গা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ২৯ অমদি ৩১ চৎপা মতমদা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক ৰাই এল এলগী প্রকাস অমদি তিঙ্কুবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌখি। অদুগা মেটচকী মিনট ৩১ রেফ্রিনা য়েল্লো বুক তৌখ্রবা য়ু এফ সিগী সনে দনুনবু মেটচকী মিনট ৩৭তা য়েল্লো কার্ড বুক তৌবদগী রেদ কার্ড ওন্থোক্তুনা মেটচতগী মপাল থোকহনখি।

অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতা এল ৰাই পি ও সিগা সি ৰাই এফ সিগা লম্বা থেংনবদা সি ৰাই এফ সিনা ৫–১দা মাইথিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা সি ৰাই এফ সিগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ১৬, ১৭ অমদি ৩৭দা চিঙ্খোনা গোল ৩, মিনট ২৫দা তোম্বনা গোল ১ অদুগা মিনট ৩৬তা আর কে প্রদিপনা গোল ১গা চনখিবনি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা এফ সি হৈককমপাল–বীগা এম পি এস এ–বী পুংদোংবমগা লম্বা থেংনগদবদা এফ সি হৈককমপাল–বী লাক্তবদগী এম পি এস এ–বী পুংদোংবম্না ৰাল্ক ওভর ফংখ্রে।

# কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টসপু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে






বোল ৪৭ তা সিক্স ৬ অমদি ফোর ৭ য়ৈদুনা রন ৮৭ লৌখিবা কোলকাতাগী রোবিন উথাপা

*পুনে,এপ্রিল ২৬ঃ*
ভিভো ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগ সিজন –১০ গী ৩০শুবা মেটচতা ঙসি কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টসপু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী তোচ কোলকাতানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টসনা ওভর ২০ ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৪২ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদু অজিনকিয়া রহনে অমসুং হরুল ত্রিপাথিনা হৌরকখি। মখোয় অনীনা রন ৬৫ গী পার্টনর্সিপ অমা শেমখি। ত্রিপাথি বোল ২৩ দা রন ৩৮ লৌরম্লগা আউত ওইখি। মহাক্কী মহুৎ কেপ্টেন ষ্টেবল স্মিট শান্নবা চঙলকখি। রহনেগা মহাক্কনা অনীশুবা ৱিকেটকীদমক রন ৪৭ হাপচিল্লগা অপুন্বা স্কোর ১১২ দা রহনে রন ৪৬ তা আউত ওইখি।

স্মিট আউত ওইদনা রন ৫২ লৌখিবা অমদি ধোনি বোল ১১ দা রন ২৩ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্কবা রন ১৮৩ লৌগদবা অদু কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা ১৯ শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৩ খক তুরগা রন ১৮৪ মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

কোলকাতাগী রোবিন উথাপানা শুপ্নগী বোল ৪৭ তা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৮৭ লৌখিবা অদুনা মায় পাকগী লম্বেল ওইহনখি। কেপ্টেন গর্ভির রন ৬২ লৌরগা চাওনা মতেং পাখি।

| Team | M | W | L | Tied | N/R | Points | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Kolkata Knight Riders | 8 | 6 | 2 | 0 | 0 | 12 | +1.15 |
| Mumbai Indians | 8 | 6 | 2 | 0 | 0 | 12 | +0.51 |
| Sunrisers Hyderabad | 8 | 4 | 3 | 0 | 1 | 9 | +0.48 |
| Rising Pune Supergiant | 8 | 4 | 4 | 0 | 0 | 8 | -0.67 |
| Kings XI Punjab | 7 | 3 | 4 | 0 | 0 | 6 | -0.32 |
| Royal Challengers Bangalore | 8 | 2 | 5 | 0 | 1 | 4 | -0.21 |
| Delhi Daredevils | 6 | 2 | 4 | 0 | 0 | 4 | +0.85 |
| Gujarat Lions | 7 | 2 | 5 | 0 | 0 | 4 | -0.84 |

# ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমোফা) ট্রোফি ২০১৭

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ঃ*
এ ঐচ পি সি, লোক্তাক প্রোজেক্ট, মণিপুরনা স্পোন্সর ওইরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমোফা) না শীন দুনা ১০ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৭ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ট্রোফি অসি মোইরাংদা লৈবা মোইরাং মলটি পর্পোস হয়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা এপ্রিল ৩০ দগী মেগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। এপ্রিল ৩০ গী নুংথিলগী পুং ১ দগী শান্নবা হৌরগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম নিপালনা পুল এ, বী খায়দোক্তুনা শান্নরগনি । পুল এ দা অমোফা মোইরাং, য়াদা কঙসোইবী মপাল, জি দি সি থিংনুঙ্গৈ অমদি টি ৰাই দি এ তৌবুলনি।

পুল বী দা এফ সি মোইরাং, এম টি এফ সি, অমোফা একাদেমী অমদি কে পি এফ সি পোটশঙন্বনি। শান্নগদবা ফিক্সর মথক্তা পীরি।

**FIXTURE**

| Match | Date | Time | Team | Vs | Team |
|---|---|---|---|---|---|
| Match No.1 | 30/04/2017 | 2:00 p.m. | AMOFA | Vs | YADA |
| Match No.2 | 01/05/2017 | 2:00 p.m | FC MOIRANG | Vs | MTFC |
| Match No.3 | 02/05/2017 | 2:00 p.m | GDC | Vs | TYDA |
| Match No.4 | 03/05/2017 | 2:00 p.m | AMOFA ACADEMY | Vs | KPFC |
| Match No.5 | 04/05/2017 | 2:00 p.m | AMOFA | Vs | GDC |
| Match No.6 | 05/05/2017 | 2:00 p.m | FC MOIRANG | Vs | AMOFA |
| Match No.7 | 06/05/2017 | 2:00 p.m | YADA | Vs | TYDA |
| Match No.8 | 07/05/2017 | 2:00 p.m | MTFC | Vs | KPFC |
| Match No.9 | 08/05/2017 | 2:00 p.m | AMOFA | Vs | TYDA |
| Match No.10 | 09/05/2017 | 2:00 p.m | FC MOIRANG | Vs | KPFC |
| Match No.11 | 10/05/2017 | 2:00 p.m | YADA | Vs | GDC |
| Match No.12 | 11/05/2017 | 2:00 p.m | MTFC | Vs | AMOFA ACADEMY |
| **SEMI FINAL** | | | | | |
| Match No.13 | 13/05/2017 | 2:00 p.m. | Winner of Pool (A) | Vs | Runner of Pool (B)-X |
| Match No.14 | 13/05/2017 | 2:00 p.m. | Winner of Pool (B) | Vs | Runner of Pool (A)-Y |
| **FINAL** | | | | | |
| Match No.15 | 13/05/2017 | 2:00 p.m. | Winner X | Vs | Winner Y |

# জুনিয়র নেসনেল সোফটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক শান্নরোই খনবগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ঃ*
মেগী ২৫ দগী ৩০ ফাওবা হরিয়ানাগী রোহতক্তা জুনিয়র নেসনেল সোফটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ দা শরুক য়ানবগীদমক শান্নরোই খনবগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন কেম্প অসি থা অসিগী ৩০ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন কেম্প অসিদা মণিপুর সোফটবোল এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েট তৌবা ক্লবশিং অমদি য়ুনিটশিংগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

নাকল অমরোমদা ২৯ শুবা জুনিয়র ষ্টেট সোফটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াখিবা চহি ১৮ মখাদা লৈবা শান্নরোইশিংনা হায়রিবা ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন কেম্প অসিদা মখোয় মখোয়গী কিটসশিংগা লোয়নননা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

হায়রিবা ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন কেম্পতা খল্লবা প্লেয়রশিংগী ওইবা নন–রেসিদেন্সিএল সোফটবোল কোচিং কেম্প অমসু মে ১ গী অয়ুপ পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মণিপুর সোফটবোল এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েট তৌবা য়ুনিট অমদি ক্লবশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোই ৬।৬ না থা অসিগী ৩০গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা কেম্প অসিগী শান্নফমদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি ইং ১৯৯৯ গী জনুৱারী ১ অমদি মতুংদা পোকপা ওইগদবনি অমদি মখোয় মখোয়না লাকপা মতমদা অধার কার্ড লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক এম এস এ সেক্রেটরী কে ঐচ মোহোনলাল সিংহদগী থা অসিগী ২৮ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা খল্লবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।




# মণিপুরগী ফুটবোল কোচ ৪ সেলেক্তর ওইনা খল্লক্লে

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ঃ*
উর্জা–কেপফস য়ুথ অন্দর –১৯ ফুটবোল টেলেন্ট হন্ট টুর্নামেন্ট ২০১৭ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর ফুটবোল টুর্নামেন্ট অন দর–১৯ সেলেক্তর ওইরুনবা মণিপুরগী ফুটবোল কোচ ৪ খল্লক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

খল্লক্লবা কোচশিং অদুদি নুপাগী কাংলুপকী ওইনা এম রতনকুমার সিংহ অমদি এন তোম্বা সিংহ নি। নুপীগী ওইনা টি ইবোমচা সিংহ অমসুং এস মনিতোম্বী দেবীনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎ রোইনা খঙহল্লক্লি।

# ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ঃ*
নোং কা হেন্না চুবনা মরম ওইদুনা অহানবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ মখা তানা অনৌবা ফিক্সর থোক্ত্রিফাওবা হান্নগী সেদ্যুল মেটচশিং অদু য়ৈথোক্লে হায়না কনভেন্নর এম জয়চন্দ্রনা থোরকপা নোটিশ অমনা হায়রি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*